মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা

Charlie chaplin

Pola negri

Moussia Sodskaya

- মথংদি চার্লি ফ্রান্সলোমদা চৎলগে লেপ্লে, মাগী মরূপ রোবিন্সনগা লোয়ননা। ১৯১৪ দা চিঠি ইরকখিবা Carmi কৌবা Cartoonist অদু উননিংবা ফাওরকই। ট্রেন্দা চৎপদু ওন্থোক্লা নুংঙাইখি, চাবনা হোঙলিবা, সেবানা ফজরিবা। অদুবু পেরিস য়ৌবদদি নোংগা মায়োক্লরে। রিপোর্টরশিংনা য়োমশিল্লক্লে।
- Carmi উনবদু ওন্থোক্লা নুংশিনরে। অদুবু লোন ফাওনদবগী অৱাবদি অদুম মায়োক্লরে। মমৈথংদদি খূৎশানা ঈঙ্গিৎ তৌনদুনা ৱারী ফাওবদি নুংঙাইনা শানরে। চার্লিগী লৈফম হোটেলদা চাক চামিন্নরে।
- চার্লিনা মথংদা আর্টিষ্ট Georges Carpintier অমদি Jacques Copeau উনরে। Copeau গী Company মনুংদা চাক চামিন্নরে। মদুদা চার্লিনা জগোয় অমা য়েংলম্মী। মদু মতুংদা মাগী A woman of Paris ফিল্ম নম্বদা কান্নখি।
- মথংদি চার্লিগা রোবিন্সনগা বর্লিন পাংলে ট্রেনদা। মতমদুফাওবদা বর্লিনদা চার্লিগী ফিল্ম অমফাও উৎলমদ্রি। অদুনা মাবু খঙবা য়াওদ্রে। রিপোর্টর থেংনদবগীদি কোমজরে। অদুবু মাবু ব্যাবহার তৌবীবা ৱাৎপদুগী খল্লুবদদি নুংঙাইতে। হোটেল চঙবদসু ফত্তবা টেবলদা ফমহল্লি।
- অদুবু লাইবক ফবদগী পোলেন্দগী ষ্টার Pola Negri হেক থেংনরে। ৱারী নুংঙাইরে। Pola সু বর্লিন্দা Sumurun হায়বা ফিল্মদু নম্বা লাকপা ওইরম্লে। Pola না চার্লিবু মীয়ামদা মশক তাকপা হৌখ্রে।
- Pola Negri তশেংনা ফজবী নুপীনি। পোলিস নুপীগী মফজা চপ চানা য়াওরি। মশম মুই, ময়া ঙৌরোক ঙৌনা ফজবা য়াতানি। জর্মন লোন ফজনা ঙাংবা ঙম্মী। খোল মেঙনা, অতাবা মী শুক্ষ্মৎনা ঙাংবদু উবদা চার্লি ঙকখ্রে। Pola না হৌবদগী কোফী থকমিন্নরে।
- জর্মনিদগী পেরিসতা অমুক হল্লক্লে। হন্দক্তি পেরিসতা রেষ্টোরেন্ট অমদা ঈশৈ শক্লন্বী রসিয়ন লৈশাবী Moussia Sodskaya কৌবী অমা থেংনরে। ফিল্ম কুম্বগী ৱারীফাও শানরম্লে। অদুগা মথংগী নুমিৎতা স্কুল অমদা লানগী নীংশিং খূভম অমা শঙ্গাবা য়াওরম্লে। অদুবু মাবুদা কোয়শিল্লকপদা ফঙ্কসন অদু কায়রমদৌরে।
- ইংলেন্দ অমুক পাংলকপদদি মাগী ময়াম্বা থোকপা মমাবু শেন্নবিখিবা Aubrey Chaplin গা উনরম্লে, ৱারী শানরম্লে। অদুদগী Aubrey গী দুকান দা চৎমিন্নদুনা custumer য়াম্না তিলহল্লম্লে। নোংঙাল্লমদাই পুং ৪ দা মাগী হোটেল Ritz দা হল্লক্লে।
- ১৯২২ গী ওক্টোবর থাগী অনীশুবা চয়োলদা চার্লি Southampton হিথাংফমদগী অমেরিকা পাংলক্লে। লাক্লমদাইদু মপূক্লিং য়াম্না নৌখি। মরূপ-মপাং ময়াম কায়নবদি লায়রদনা মীয়াম্না মাবু নুংশিবীবা অদু কাউবা ঙমগদবা মান্দ্রে। Reporter শিংসু হৌজিক নুংশিরক্লে, মথৌ তৌজবনি খল্লক্লে। অদুগী মথক্তা Hetty Kelly গী মৌপ্বা Azthur Kelly না চেল্লক্তুনা মচে Hetty গী Photo অমা পীররে।
- অসুম্না ওক্টোবর ৩১ দা Los Angeles তা থুংলরে। অদুবু থবক হেক্তা হৌনবদি খন্দ্রি। মতাংসিদা মরূপ-মপাং খরগা চাক চামিন্নবদা অনৌবা Guest অমা থেংনরে। Mrs. Sheridan কৌবী, বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর Winston Churchill গী মমৌ থোকপী অমা। মাগী নুপাদু লৈখিদ্রে, মচানুপী অমগা, মচানুপা অমগা লৈমিন্নরি California দা।
- Mrs. Sheridan মুর্ত্তি শাবীনি। Soviet Government না মাবু Lenin গী মুর্ত্তি শানবা শিন্নরকখি। মদুনা Soviet তা লৈরুরে। Soviet কী ৱারী তাবদা চার্লি অঙকপা পোকখি। Sheridanগী ৱাহং অমদা চার্লিনা খুমখি, “England is a good country to belong to, but not a country to list in- not for the creative artist”.
- চার্লিগা Sheridan গা মরূপ ওইখ্রে। মাগী মুর্ত্তি অমত্তা শাবীয়ু হায়খ্রে। মথংগী নুমিৎ নীনিগী মতুং নবেম্বর ২ দা অমুক মখোয়নী উনরে, মচানুপাদু পুরকই। Dick কৌই। চার্লিনা মখোয়নীবু মাগী Studio দা পুরক্লগা The Kid হায়বা ফিল্মদু য়েংমিন্নখি। ফিল্মদুদা চার্লিনা ৱাবদু উবদা অঙাংদু কপ্লম্মী। মদুদা চার্লিনা ফিল্মনি, মতুংদা নুংঙাইরকখিনি হায়দুনা থেন্মী।
- মদুগী মতুংদা Dick তু ময়ুমদা থিনবীরুরে। অদুগা চার্লিগা Sheridan গদি Ambassador Hotel দা চাক চামিন্নদুনা জগোয় শামিন্নদুনা মতম লেনখি। মথংগী নুমিৎতা চার্লিগী থবাকফাওবগী মুর্ত্তি শাবা হৌখ্রে। চার্লিনা ফল্লগা Sheridan না মুন্না য়েংলগা শাবদু হৌখ্রে। চার্লিনা থুনা লোইবীয়ু হায়রম্মী। অদুম্মক তৌরকখি, নুমিৎ হুম্নিদা লোইখি।
- মথংগী নুমিত্তা চার্লিনা Sheridan মমা-মচাবু কোয়বা পুখি। Picnic কী মওংদা খল্লুনবা দম্বুর, চাকথোংবা, চান-থক্লবা মপোৎ অমত্তা ৱাত্তনা চৎখি। মফম থিবদা ৱারে। অদুবু মমৈথংদা লন্নাইগী ওইবা কনা অমত্তা চঙহন্দবা সমুদ্র মপান্দা ইঙ্খোল অমা থেংনরে। চার্লিনা হায়বদদি হরাও-হরাও য়াদুনা মদুদা পিকনিককী শীন-লাংদুনা মথেল-লুকোই কয়া চামিন্নরে।

-মথং-মথং

ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

কুচুসু ফজহনবা স্কিন কেন্সরদগীসু ঙাকথোক্লিবা - সনস্ক্রীন

মীওই ফুরুপ অয়াম্বনা লাইমক্লি হায়না ঈৱাৎ-থৌনি তৌনরিবা নুমীৎনা থৱায় পানবশিংদা পীরিবা খুদোল অসি অসুক্কী মতীক মমল নাইদে। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মীওইবদি লায়রদনা লেঙলি-পাল্লিবা থৱায় পানবা খুদিংমক নুমীৎ য়াওদনা হিংবা ঙম্লোই, অদুবু নুমীৎতগী থাদোরকপা নুংশাগী মঙালদা য়াওবা অল্ট্রাভাইওলেট রেদিএসন্না য়ৈবদা ফনা ফজে হায়নরম্বা মীওই কয়া কুচু মকশিল্লক্তুনা শক থীজিল্লকই। মসিদগী হেন্দোক্তুনা উনশাদা কেন্সর নারকপা ফাওবা য়াওই। অসিগুম্বা নুমীৎকী অল্ট্রাভাইওলেট রেদিএসন অসিবু ঙাকথোক্লবগীদমক তোঙান-তোঙানবা মখলগী সনস্ক্রীন লোশন অমসুং ক্রীম কয়া পুথোক্লরক্লি।

অল্ট্রাভাইওলেট (য়ুভি) রেদিএসন হায়বসি নুমীৎতগী মালেমগী লৈমায়দা য়ৌরকপা ইলেক্ট্রোমেগনেটিক (লাইট) স্পেক্ট্রমগী শরুক অমনি। য়ু ভি রেদিএসনগী ৱেভলেঙথ অসি উবা ঙম্বা মঙালগী ৱেভলেঙথতগী হেন্না তেল্লি। মরম অদুনা মীৎনা উবা ঙমদে।

য়ু ভি-এ অমসুং য়ু ভি-বি হায়দুনা অল্ট্রাভাইওলেট রেদিএসন মখল অনী শুই। মখল অনীমক্লা উনশাবু অমাঙ-অতা থোকহনবগা লোয়ননা কুচু মকশিলহল্লি অমসুং উনশাগী কেন্সর ওইহল্লকই।

ইমুংদা অসুম লৈবদি য়াদবনিনা থবক-ইনখাং চথোকপদা য়ু ভি রেদিএসন্দগী ঙাকথোক্লবগীদমক পুথোক্লরক্লিবা সনস্ক্রীন প্রদক্টশিংদা এস পি এফ নৎত্রগা সন প্রোটেকসন ফেক্টর হায়বা অমা য়াওই। সনস্ক্রীন প্রদক্ট অমনা কদায় ফাওবা মীওইবগী উনশাবু য়ু ভি রেদিএসনগী ঙাকথোকপা ঙম্বগে হায়বদু এস পি এফকী মগুণনা লেপ্পী। য়ামদ্রবদা এস পি এফ-১৫দগী তাদনা য়াওবা সনস্ক্রীন প্রদক্ট অমা শীজিন্নবনা উনশাবু অশোয়-অঙাম য়াওদনা থম্বা ঙম্মী।

ব্রোদ-স্পেক্ট্রম সনস্ক্রীন শীজিন্নবা তারবদি য়ু ভি এ অমসুং য়ু ভি বি রেদিএসনদগী উনশাবু ঙাকশেনবা ঙম্মী।

SUNSCREEN
45

সনস্ক্রীন শীজিন্নবা ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বগী মতাংদা অওক-অথোঙ তৌনবগী তাঙ্কক অমা লৈখিবা মরম্না মীয়ামদা চিংনবা, চমন্নবা খর লৈরম্বা অদু য়ু এসকী ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ দি এ)না ময়েক শেংনা শেংদোকরকপদগীদি চিংনবা পুম্নমক কোকখ্রে। সনস্ক্রীনদা য়াওবা ওক্সিবেঞ্জোন অমসুং রেটিনাইল পালমিটেট কৌবা মচলশিংগী মতাংদা ফৈ অমদি ফত্তে হায়বা ৱাফম কয়া লৈখ্রবনি।

স্কিন কেন্সর ফাউন্দেসনগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্নদি নুংশা মরক্তা চৎপা মতমদা সনস্ক্রীন শীজিন্নবগী মথক্তা টুপী অফনবা অমা অমসুং সনগ্লাস উপ্পগা লোয়ননা হকচাংগী শরুক পুম্নমক কুপ্পা ফিরোন শেংকদবনি।

নন-মেলানোমা স্কিন কেন্সরগী কেস চাদা ৯০ অমসুং মেলানোমাগীনা চাদা ৬৫ রোম নুংশা মঙালদা য়াওবা য়ু ভি রেদিএসন্না থোকহনবনি হায়না খঙবা ঙম্লে। মখা তানা থীজিনবদা নুমীৎ খুদিংগী অফবা মখলগী সনস্ক্রীন প্রদক্ট শীজিন্নবনা স্কিন কেন্সর মখল অনীমক্কী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বসু খঙবা ঙম্লে। অদুনদি কুচু ফজনবগী ৱা ঙাক নৎতনা কেন্সরদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মীপুম খুদিংমক অফবা মখলগী সনস্ক্রীন প্রদক্ট অমা নুমীৎ খুদিংগী শীজিন্নবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাই ফদবা অমা ওইরে ।

[illegible]



Title : **POKEMON**



Honey Laishram
Class : V, Sec.A:, Roll:11
Regular English High School
[illegible]
[illegible]
[illegible]



Manoj
Class : III, Sec. :, Roll: 26
Smart Universl Academy
[illegible]
[illegible]
[illegible]

Title : **ELEPHANT** (ꯁꯥꯃꯨ)



N. Jubaraj
Class : Nursery, Sec. B :, Roll: 05
Smart Universl Academy
[illegible]
[illegible]
[illegible]

Title : **FISH** (ꯉꯥ)



Mahesh
Class : KG, Sec. B :, Roll: 27
Smart Universl Academy
[illegible]
[illegible]
[illegible]

Title : **CINDERELLA** (ꯁꯤꯟꯗꯦꯔꯦꯂꯥ)



Sweety Thiyam
Class : II, Sec: C, Roll: 161
Regular English High School
[illegible]
[illegible]
[illegible]

Title : **A FLOWER** (ꯂꯩ ꯑꯃ)



Yumnam Ocia
Class : II, Group: B, Roll: 43
Smart Universl Academy
[illegible]
[illegible]
[illegible]

Title : **SCENERY** (ꯁꯤꯅꯔꯤ)



Suprimond
Class : III, Group: B, Roll:
Smart Universl Academy
[illegible]
[illegible]
[illegible]

Title : **SPIDER MAN**



Beloy Oinam
*Class :*IV, Group: A, Roll:
[illegible]
[illegible]

Title : **OGGY** (ꯑꯣꯒꯤ)





Maipaksana Huidrom
Class : III, Sec: B, Roll: 39
Smart Universl Academy
[illegible]
[illegible]
[illegible]

Title : **FLOWER** (ꯂꯩ)



Ningthoujam Ronika Chanu
Class : I, Group: A, Roll:18
Smart Universl Academy
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]



কোবী-মট্টর করম্না থোংগদগে



চঙগদবা পোৎচঙ :

- গ্রাম ৫০০ রোম লুম্বা কোবী থমচেৎ মানবী অমা
- হৱাইথরাক অখোকপা কপ অমা
- ময়ায় ওইরপ চাউবা তীলহৌ অনী (কুপ্পা শোইরবা)
- খামেন অশিনবা অচৌবা অমা (কুপ্পা শোইরবা)
- মোরোক অতেকপা অহুম (কুপ্পা শোইরবা)
- শিং অশুবা চামচ অমা
- চনম অশুবা চামচ অমা
- জীরা চামচ তংখায়
- দালচিনি মচেৎ অমা
- ইলাইচি অশংবা অনী
- কালি মির্চ ৪-৫
- তেজ পট্টা মনা অমা
- য়াইঙং মকূপ চামচ তংখায়
- ফদিগোম মরু অশুবা চামচ অমা
- গরম মসালা চামচ তংখায়
- লোং ২-৩
- অচাথাউ চামচ অহুম
- থুম খরা
- কুপ্পা শোইরবা ফদিগোম মনা খরা

থোংবগী মওং :

- কোবী থমচেৎ মানবী মচেৎ মচেৎ শেৎলগা শেংনবা চামথোক্লো অমসুং মচুম কংহল্লগা থমখ্রো।
- হৱাইথরাক অদু হান্না ফূৎলগা মুল্লমদাইদা থাংথরগা মহী চিথোক্তুনা থমখ্রো।
- মৈথক্তা উয়ান থাংগৎলগা অচাথাউ হৈরো অমসুং তেজপট্টা মরু মরাং পুম্নমক হাপচিন্দুনা ঙৌরো।
- তিলহৌ অশোইবা, মোরোক অতেকপা, শিং অমদি চনম হাপচিল্লগা ওৎলো।
- মচু ওল্লক্লবা কান্দা খামেন অশিনবা হাপচিল্লো।
- মথংদা য়াইঙং মকুপ, মোরোক মকুপ অমদি ফদিগোম মরু হাপচিন্দুনা খামেন অশিনবা অদু মুন্দ্রিবফাওবা ঙৌরো।
- কোবি থমচেৎ মানবী হাপচিল্লগা নীংথিনা ওৎলো।
- পুখম অমদা ঈশিং খরা হৈরগা মদুনা উয়ানগী মখুম খুমজিল্লো। মসিনা কোবি কাশিলহল্লোই অমসুং মহী হাপত্রবসু য়াগনি। অদুম ওইনমক মরক-মরক্তা মখুম হাংদোক্তুনা চেক তৌবা মথৌ তাই।
- মুল্লবা কান্দা থাংথরগা ফদিগোম মনা চাইশিল্লো অমসুং ফোঙ-ফোঙ শানা চাবা য়ারে।